# এদেদ এদ্যুকেসন্দা সেন্টর অমসুং ষ্টেট

— এম থম্বৌ —

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদা চৎনবা এদ্যুকেসনগী কাংলোন কয়া মণিপুরদসু চৎনহন্নবা মহৈ-মশিনগী লমদা খঙহৈরবা কয়ানা পোলিসি শেম্বীদুনা নিংথিনা মদুবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনদবা কয়াগী থৌরাং ঐখোয়না উরে। থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা চিথবা কয়া অমা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরি। খুদম খরা পল্লবদা ১৯৯২ দা মতম অদুগী সিএমগী ওফিস কাদা দিসেম্বরগী ৭তা তৌখিবা মিটিংগী ৱারেপ মতুং ইন্না ১৯৯২গী দিসেম্বর ১৪, ১৫ অমসুং ১৮দা এদেদগী এসোসিএসনগা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী কাদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইনা কম্মিস্নার এদ্যুকেসন অমদি দাইরেক্টর এদুকেসনগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা খূৎয়েক পীনখি। অদুগুম্বা য়ানচে অদুদা ৱারোল তরুক য়াওরিবনি। অদুগুম্বা য়ানৱারোলগী অনীশুবদা য়াওরিবা ১৯৯৩-৯৪গী চহীগী শেনবাদা এদিস্নেল পোষ্ট পীবা, অহুমশুবদা থা খুদিংগী গ্রান্ট পীবীবা, মরিশুবদা য়াম্না মরুওইরিবা ট্রিপল বেনিফিট ফংহন্দুনা হান্ননা এপ্রুব ফংখিবশিংগী সর্ভিস প্রোটেক্সন থবক ওইনা পাঙথোকপা অমসুং মদুগী ৱারোল দিরেক্টর এদ্যুকেসনদা পীবা, অসিগুম্বা কয়া অসি চেদাখক্তা ইনবা, থবক্তদি ওন্থোকপীদবা অসি চৎনদুনা লাক্লি অমদি তৌফম থোকপা থৌশিল কয়া নমথদুনা থম্বীরিবনি। কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর অমদগী মতমদুগী লৈঙাক্লা এদেদ স্কুল ৬০৫ গ্রান্ট পীবিরম্বদগী ঙসি ফাওবা অহেনবা থৌশিল করি পায়কৎপা য়াওখ্রবগে? অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লক্লিবদি অহাংবা পোষ্ট হায়বদি এদেদগী ওজা অমা মতম লোইদুনা থবক্তগী পোত্থাখিবদা খুদক্তা মাগী মরী লৈনবা জেদ ঈ ওদা রিপোর্ট পীদুনা খুদক্কী ওইবা দাইরেক্টরগী মীহুৎ অমা য়াওহল্লগা জেদ ঈ ওগী ওফিসতা দি পি সী তৌদুনা অহোবা মতম লৈহন্দনা পোষ্ট মহুৎ মেনশিনবা য়াহল্লম্বনি। অদুবু কুমজা ২০০৬ তগী মদুগী থৌশিল অদু চহী ৫ হেন্না নমশিন্দুনা থমখিবনি। অদুদগী অমুক কুমজা ২০১১দা অমুক মহুৎ হাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীবিরক্তুনা স্কুল কয়াগী অহাংবা পোষ্ট মেনশিনহনখি। পুত্থিবা চহীশিং অদুগী মমাংগী চহীশিং অদুদগী ইফেক্ট তৌবীগদবদু তৌবিদনা খুদক্তগী ইফেক্ট তৌবনা শাথিনা অৱাবা মায়োক্লহনখি। অদুগী মতুংদা অমুক ওজাগী অহাংবা পোষ্ট কয়া স্কুল স্কুলদা লৈরবসু মদুবু স্কুল স্কুলদুগী মরী লৈনবা জেদ ঈ ওনা খুদক্কী ওইবা পোষ্ট মেনশিনবগী থবক তৌবীদনা ষণ শেনবা মীনা অঙনবদা থারকপা ষণ অদু মতম অথেংবা ফাওবদা থারকপা ঙাইরগা ময়াম পুনশিন্দুনা হোইবগুম স্কুল কয়াগী পোষ্ট হাংলক্কদবা ময়াম ঙাইদুনা পুন্না পৈশিল্লগা মতম অমত্তদা ঙাইন-ঙাইনরগা দি পি সি তৌবগী চৎনবী অমা ঙসি ঙসিমক লাক্লিবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। মসিনা এদেদ স্কুলগী সফর তৌরিবা ওজশিংদা অঙকপা ফংনা পিরিবা চৈথেং অসিগীদি খন্থবীদনা ঙসি ফাওবা লৈরিবনি। মসিদদি মণিপুরগী এদ্যুকেসনগী লোইশঙনা, লৈঙাক্লা খঙশিন উশিন্নদনা লৈরিবা অসি অচুম্বা অফবা থৌশিলনি হায়গদ্রা? ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদা চৎনবা য়ারবসু মণিপুর অসিদদি চৎনবা য়াদবা থৌশিল কয়া লৈরিবনি। পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রে হায়দুনা মণিপুরদা ইন্দিয়াগী খুদুং ইন্দুনা পোলিসি খুদিং চৎনরবদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎনবা এদেদকী পোলিসি পেন্সন পিবগী কাংলোন কদাইদা হুন্দোক্তুনা থল্লিবা। ঙসি মণিপুরগী এদেদ ওজাশিং থবক্তগী পোত্থারিবা কয়া অসি অতৈ ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা অসুম্না থম্বীব্রা? মসিদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা চৎনখ্রে। ঐখোয়গী অসিদসু চৎনহল্লসি হায়দবগী মরম করিগীনো? ইন্দিয়াগী কাংলোন পুম্বা চৎনফম থোকই হায়রবদি এদেদ ওজাশিংগী পেন্সন অসিসু শোইদনা পীফম থোকই। মসিবু লৈবাক ইরাং হৌদুনা ৱাথোক লাকপা ঙাইরিব্রা? অসিগুম্বা ষ্টেটকী থৌশিল কয়া শোয়বনা লৈবাক অসি নোংমা নোংমগী ইরাং হেনগৎতুনা চাওখৎপগী লমজেল য়াওবদি লাইরদনা মনিংদা অসুম অসুম হনহল্লি। মসি লৈঙাক্লা খঙবীবা য়াম্না কান্নগনি। এদ্যুকেসননা লৈবাক্কী য়াংলেন্দ শরুনি হায়নরিবনি। তুংগী য়ুম্বীরেন ওইগদবা চাওখৎপগী অমদি ঈং তপ্পা খুনাই অমগী আশা তৌবা নহা কয়া শেম্বদা এদ্যুকেসন হায়বা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা হিরম অসিদি লৈবাক অসিদা ফেল ওইহন্দুনা থল্লি। সেন্টরদা চৎনবা অদুগা মণিপুরদদি চৎনবা য়াদবা পোলিসি কয়া তৌদুনা সেন্টরনা থাদবা শেনফম লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা মাঙহল্লি। খুদম অমা পল্লবদা অঙ্গনৱাদি অসিবু মণিপুরগী অঙাং কয়া শেমগৎতুনা প্রাইমারি স্কুলদা থারকপা য়াওখ্রবগে। মসি মণিপুরগী অঙ্গনৱাদি তশেংনা লমদম অসিদা হিংহনবা ওইথোক্তে হায়বসিদা করি ককনঙাই য়াওবগে। পুম্নমক অসি য়েংউরগা সেন্টরনা হায়বা খুদিং মণিপুরদা চৎনদবা য়াদবা ওইরবদি মদু অতোপ্পা চানগদবা মওং অমদা ওন্থোকপিবা করি কায়গনি। সেন্টরদা চৎনবা খুদিং মণিপুরদা চৎনগদবা ওইরবদি ঙসিগী এদেদ স্কুলশিংগী বেন তৌশিনখিবা হিন্দি পোষ্ট ১০০ সেন্টরনা চান্মদা চান্মা মতেং পাংবা পি এস ওফিসনা D.O. No. 7-4/2011/ALT.dt. 19-7-2011 of Shree Y.P. Mitta Eco. advisor of the M.H.R.D. Govt. of India and D.O. S.E.LP/2017/00010 and no. D.O. S.E.L./P/2016/00197 And D.O. S.E.L/P/2016 অসিদা মণিপুরগী Edn. সেক্রেটরিদা থারকপদা সেক্রেটরীনা মহাক্কী Letter No. 12/(H.C) 118/2009-SE (S) dt. 07-09-2015 দা দিরেক্টরদা থাবীখ্রবনী অমসুং মদুগী প্রোপোজেল পীরক্লবা হায়রকখ্রবনি অদুবু ফাইল লোৎশিনবা, ৱাওইনা তাবীদবা কয়া অমা তৌবীদুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। মসিদদি সেন্টরগী দিরেক্টিব করম্না চৎনরিবা এদেদগী অফবা লাকপদনা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা এদেদ মুৎনবা লাকপা দিরেক্টিবনা চৎনদবা য়ারোই হায়বা অসিদি লৈবাক কাংখোং চাইগনি  অমসুং এদেদ ওজাশিংদা ইরাং হৌরক্লবা চে-পাউ পীবনি। অদুবু এদেদ ওজা পুম্নমক ওজাগী শিনফমদা লৈরুবনা ঈংবা তপ্পা ফজবা লমচৎ কয়ানা ওজাগী শিনফমগী মশিন ওইজরিবা ওজা কয়ানা মীনুংশি লৈনা নুংশিবীয়ু হায়জবা নৎতনা অকনবা ৱাহে অমফাওবা হায়জখিদ্রিবনি। মসিদা ইরাং হৌরক্তে হায়দুনা য়েংবীদবা অরানবা ওইদবরা? নিংঙাই তৌরগা অচাপোৎ পীবা নিংঙাই তৌদবনা অচাপোৎ ফংদবা অসিদি লৈঙাক্কী চনবী নত্তে। অমুক্কসু সেন্টরগী তরুকশুবা আর ও পি ২০১০গী থৌশিল লৈবাক  শিনবা থুংনা চৎনরবদা ঙসি লমদমসিগী এদেদকী মরাইবক করি ওইরি মসিদি সেন্টরনা দাইরেক্ট  এদেদ ওজাশিংসু পীয়ু হায়দবগীরা মসিসু অঙকপা ফাওই। মসিসু অথুবদা পীথোকফম থোকই। পূম্নমক অসি য়েংউরগা ঙসিগী অচুম্বা পাম্বা লৈঙাক অসিনা অশেংবা থবক খরা তৌবীরক্কনি হায়বগী আশা তৌজরি।

ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি এদেদকী পেনসন বেনিফিট ফজনা চৎনখ্রে। অদুবু ২০১০ আর ও পিসু চৎনখ্রে। অসামদা নংঃ এল জি এল ৬৮-২০১৯-৬ গভর্ণরগী অয়াবা এক্ট কয়া অসাম এসেমব্লীদা য়ৌহন্দুনা অসামগী সিএমনা মদুগী বেনিফিট এদেদতা ফংহনখ্রে। অদুদা নত্তনা খরা পল্লবদা পঞ্জাবতা লৈঙাক্কী য়াথং No. S.045/PPMRSE (SOS) R1981/R22-A/2012 গী রিফরেন্স মতুং ইন্না এদেদকী বেনিফিট পঞ্জাব লৈঙাক্লা পিখ্রে। মদুদা য়াওরিবা অদু বেনিফিট ৬নি। Page 318 Punjab Govt. (EXTRA) August 2-2012 SRNN11-1934SAKA No. 4(A) Superannuation pension 4(B) death-cum-retirement gratuity 4(C) Family pension 4(D) Invalid pension 4(E) Compensation pension 4(F) Compassionate allowance 4(G) Retiring pension অসিনি। মসি নত্তবা ষ্টেট অতৈ ৱেষ্ট বেঙ্গল, কেরলা, ত্রিপুরা ফাওবদা চৎনরে। অসিগুম্বা ময়াম অসি হায়জিনবা নত্তে। পুম্নমক্কী ওর্দর কোপি লোয়না লৈরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংবীদুনা ঙসিগী মীয়ামগী থাজবা য়াম্না তৌনরিবা লৈঙাক অমদি লুচিংবীরিবা ইকায়খুম্নজরিবা সিএম শ্রী বিরেননা এদেদকী অহল ওইরবা মরাইবক থীরবা ওজাশিংবু নুংশিবীদুনা অতৈগী মতৌগুম অৱাবা খরতা ওইরবসু কোকহনবীয়ু হায়বা ৱাফম অসিদা ইকায়খুম্নজরিবা সি এম অমদি কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী পুক্লিং চীংশিনজরি। মসিবু থবক্তা শোইদনা ওন্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ‘অৱাং নোংপোক লমদমদা মণিপুর’

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ইন্দিয়াগী* অৱাং নোংপোক ঙমখৈদা লৈরিবা ষ্টেট, করম্বা মতমদা ওইরকখিবগে হায়বা অসি লৈরিবা ষ্টেটশিংনা নীংশিংবীগনি। হৌখিবা কুমজা ১৭৭২দগী ১৮৯১ইং, মমাঙদা বৃটিশনা লোইলম শন্দোক্লকপা মতম অদুদা ইন্দিয়াদা নিংথৌ পানবা অপিক-অপিকপা লৈবাক ৫৪৬ রোম লৈরমই। লোয়ননা নোংপোক থংবা শরুক্তা নিংথৌ পানবা হায়রগদি তেখাও, তখেল, মৈত্রবাক (কংলৈপাক) হায়রিবা লৈবাক অসি শিংথানরমরই। মতুং তারকপদা বৃটিশ লৈঙাক লোইখ্রবা, নীংখা তল্লবা কুমজা ১৯৪৭কী মতুং কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়ানা লৌশিনখ্রবা মতমদগী ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি কুপ্না মনুং হঞ্জিন্না নৈনবা অমা মথৌ তারি। হৌখিবা কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশকা মায়োক্লখিবা লানফম অদুদা মায়থীরগনি খঙনা-খঙনা নীংতম্বা মরৈপাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা ওইখিবা ইপা-ইপুশিংগী থৌনা লিংজেলতনা নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনরমদুনা থম্বীরম্বা ইরৈপাক ইরমদম অসিগী ঙমখৈ পরিংবু নীংতল্লবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা য়াওজরুবগী ফংলকপা মহয়না ঙসিদি করম্বা ফীভম ওইরক্লি হায়বসি য়েংসি, কুমজা ১৯৪৭ (iiএ) ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, দি মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, কুমজা ১৯৪৭ (এম সী এ), য়ুনাইটেদ নেসন্স চার্টর, কুমজা ১৯৪৫ অমসুং ইন্টরনেসনল কষ্টমরি লোগী কাঙলোন থুগাইদুনা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু লৌশিল্লবা মতুংদা থেঙ্খাং-থেঙ্খাং নাইনা ফুরুপ অমা মাঙখ্রসনু মতাগুম কুমজা ১৯৫০দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থারকপা এজেন্ট মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নর হিমট সিংহনা হান্না চৎনরম্বা মীতোপ চঙবা য়াদবা অথিংবা থল্লম্বা পার্মিট সিষ্টেম অদু লৌথোকখিদুনা ঙসিদি অরেপ্পা লৈতনা মীতোপ চঙশিল্লক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা মীতোপ মীয়ানচাগী ৱাথোক ওইহল্লিবসিনি। লোয়ননা কুমজা ১৯৫৮দা চীংগী মফম কয়াদা আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট (অফস্পা) থম্বা হৌরগা কুমজা ১৯৮০দগী তম্পাক্কী মফম পূম্বদা আর্ম ফোর্সেস  স্পেসল পৱারস এক্ট, ১৯৫৮ থমজিন্দুনা মণিপুরদা মীকপ-মীরাওখোলতনা নিলদুনা লৈরি। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না তোংজরিবদি মণিপুর (কংলৈপাক) গী চহী লিশীং অনী হেন্না ঙাক্তুনা থল্লকখ্রবা থেঙ্খাং কয়া-কয়াদা কায়রক্ত্রবা ইরমদমগী ঙমখৈ পরিংবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবা অমা ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরুনা কুমজা ১৯৫৩গী মার্চ ২৮দা বর্ম্মাগী লুচিংবা উ-নুং-দা মণিপুরগী কবো তম্পাক মণিপুর মীয়ামগী  অয়াবা য়াওদনা পীথোকখি। মসিদসু নত্তনা পূন্না খুন্দামিন্নদুনা লৈরক্লিবা চীং-তম য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা খায়বুং-খায়বুং তানবা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি কায়নবা কাঙলূপকী ওইবা নাগা ইন্টিগ্রেসনগী মরুমদা নাগালেন্দ ষ্টেট অমা, মণিপুরগী ঙমখৈ য়াওনা শেমখ্রবসু লোইশিনবা নাইদনা কাঙলূপ-ফুরুপ মচেৎ-মচেৎ তানবা লালহৌলূপ অমগী দিমান্দনা মণিপুরবু কাং-খোং চাইহল্লি।

চহী ৫০ রোম হেন্না লৈঙাক পায়রকখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা অৱাং নোংপোক লমদমগী শিংথানীংঙাই ওইবা করি থবক থৌরম তৌরমই। মণিপুরগী ওইনদি কাউবা ঙল্লরোইদবা থৌদোক্কী চৈনাখোল, আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট, ১৯৫৮ অসাম অমসুং মণিপুর, এক্ট অসিগী মরুমদা সিফাইনা লালহৌবা ফাবগী মীংদা মীচম মীয়াম অমদি নুপী ওইবী কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীদুনা অশিবগী খয়াৎনুংদা লংশিনবিখি। মসিদসু নত্তনা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী নমাদা হাৎপীখিবা ইরমদম অসিগী মীচম ১৫২৮গী কেস, মতম অমগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুলেনগী থৌদোক অমদি অতৈ অতোপ্পা থৌদোক কয়া অমসু লৈরি। মরম অসিনা ঐখোয় মীৎকপ থোক্লসি।

*অদোমগী - শগোলশেম ইবোপিশক মৈতৈ*
*মাইবম কোঞ্জিন, পি ও ময়াং ইম্ফাল*

## হরাউফম থোক্লিবরা মতমগী য়াওলসিবু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মমাঙদৈ* ঙল্লিঙৈগী মতমদা লমতাগী থাংজ অসি য়াম্না কিনরম্মী, শরোয়-ঙারোই ময়াম থেংনগনি খন্দুনা মপান থোক্লরমদে। হৌজিক্কী মতমদদি মীনা লোইনা শরোয়-ঙারোই ওইনবগুম ওইনা লৌনরে। মসিবু চাওখৎপগী ইচেলনা লাই-তীলসু লোইনা মাঙখিদুনা মীনা মহুৎ শিনখ্রবা হায়বদুরা। হৌজিক্তি ইন্দিয়া নীংখা তম্বা ফংখ্রবনা পূম্নমক ওনখ্রবা ওইরবা মাল্লে। মতম মতমগী লাকপা য়াওলগী মতুং ইন্না অওনবনি হায়না খুদিংমক্লা ঙাওনরি, শোন্নরি অমসুং চৎনরি। পূম্নমক অসিগী ৱারী শিংবুল ৱাকিং চৎলিবশিং, লৈপুং ফল্লিবশিং, চা অমসুং তলগী হোটেলনচিংবশিংগী লম্বী ৱারীনা পান্দম থল্লগা হায়নরি হৌজিক চৎনরিবা লোনচৎশিং। হৌজিক্কী চৎনবী অমা ওইনা চৎনরিবা মীচম অমসুং খঙ-হৈরবা কাঙবুসু চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা অমত্তা ওইনা ৱারীনরি।

হৌজিক লাক্লিবা খোঙচৎ-চৎনবী অসিদি হান্না ওইরম্বা ফীভমদগী পুরা ওন্ন-তৈনবগুম তৌরি। মহৌশাগী শক্তমসু লোইনা ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তনি, চীংশিং লোইনা মরূ কোকপা, পাৎশিং ফুনজিনবা, লৌবুক-লমহাং লৈশিল্লক্তবা, য়ূম কৈ, ফেক্টরি ওইখিবা, ইরম-নালা ফুনজিল্লগা লম্বী ওইখ্রবা মতমনি। চীংদা উ থাবগী মহুত্তা তমদা উ চারা থাবা অসিনি উরিবা। থোং অমা শেম-শানবা হোৎনবদা কুম পুদুনা অতোপ্পা ষ্টেটকী অশাংবা থোং শাবদা চহী মরি মঙাদা শাদুনা চৎনখ্রবসু ঐখোয়গীদি খোন্থাংনা শেম শারি মশক্তি উদবা। লাইরিক-লাইশু হৈরবা, খঙবদা মপা লৈত্রবা কয়া শীজিন্নবা য়াদবা বেত্রি য়াওদবা টোর্চ লাইটকা পাঙ্খক ওইরবা মতমনি।

য়াম্না কুইদ্রিবা চহী ৬০ মুক্কী মমাঙদা মী য়াম্না লন্না তারিঙৈ, য়ূম অমগা য়ূম অমগা য়াম্না তাম্না লৈরিঙৈ মতমদা অমগী মতেং অমনা পাংনরম্মী। অহাংবা লমহাং ঙাক্তা লৈরম্মী। মতম অদুদা চৎনরম্বা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক ওন্ন-তৈনখ্রে। নুপী অঙাংশিং করিগুম্বা চৎথোকপা মতমদা কিনদুনা চৎপা ঙমদবা মতমদা মবুং মৌপ্পা, লৈকায়গী মীওইশিংনা ময়ূম তানা থিনবিরম্মী। হৌজিক্তি চৎথোকপা মতমদা মী থেংনগনি খনবদা কিনরে। মরমদি কিবা ফনবা থিনবীগদৌরিবা অদুনা খুদোংচাবা ফংলে খন্দুনা নমজা-নমথেক্লদুনা নমদুনা নুপী ওইবীগী ঈজৎ মাঙহনবা, য়াদ্রগনা হাৎতোকপীবগী থৌদোক নোংমা কাংদনা পাউচেগী খূত্থাংদা থেংনরি। হান্নগী ফজরবা শক্তম লোনচৎ লোইনা মাঙখ্রে। অতোপ্পা অমনা নুপী ওইবীশিংগী ঙল্লিঙৈগী ফিজেৎ চাকচাসু লোইনা ওন্থোকখ্রে। মতমদুগী ফিনা কুপ্তুনা মশাগী ফীভম উৎতবা, হৌজিক্লা কদাইদা করি লৈবগে হায়বা হেক য়েংবদা খঙলবা মতমনি। মসিগী শক্তম অসি নহাখক্তা নত্তনা অহল ওইরবীশিং ফাওবা চৎনরি। মসিনসু য়াম্না মাঙজবা লৈবরা হায়বা ৱাফম পঞ্জনীংই।

ৱারী লাইরিক্লা শাক্তিনি। জঙ্গলদা, চীংয়াদা, মোংশোংদা লৈবা শানা মীওইববু শরাক তল্লম্মী, হৌজিক্লা মীনা শা ওনবশিংনা শরাক তল্লি। অৱাবগী মশক ওইরে হে চাওখৎপা। ঙল্লিঙৈগী মতমদা য়েরুম চাবা য়ারমদে মাংই হায়দুনা, শাসু চানরমদে অদুবু হৌজিক্তি অহল ফাওবা য়েরুম্না এঞ্জাং ওইদুনা চানরে। ঙা চাবগী মহুত্তা য়েন, ওক, উচেক চাবা য়াবা মখৈ চানরে। মতমগী চৎনবী অসি ওন্থোক্লা লুখ্রেদা। মসিনা মসিনা চৎনবী ওইখিবনা কনানসু থিংবা ঙম্নদ্রি, মসিবু থিংননবা ঙাংবা কাঙবুদি ৱাখল চোইরবা মীগা পাংখক ওইরে।

পোলিটিক্সকী মতাংদসু ঙল্লিঙৈ মতমগী মীওইশিংদি মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা, লাইরিক লাইশু হৈবা কাঙবুনা তৌনরম্মী। মখোয়শিং অদুদি মরূপ-মপাংদগী শেল নিদুনা ৱার্করশিংগী চান-থক্লবা তেংবাং লৌনরম্মী। শেল পায়দ্রবসু সোসল ৱার্কর ওইনা মীয়ামগী থৌগল মতম শাংনা তৌরবা মী অয়াম্বা ওইরমই। হৌজিক্তি শেল পায়বা নৎত্রবদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা ঙম্নদ্রে। মশানা মতীক মঙাল লৈবা লাইরিক লাইশু হৈবগী মথৌ তাদরে। করিগুম্বা ভোট লেপ্পা তারবদি পীজ-পীথক তৌদবা, শেল চাদিং তৌদ্রবদি কনা অমত্তা চঙনদ্রে। মসি তশেংনা ময়াম্না হেন্না উবীরবা, থেংনবীরবা অদুবু নীংশিংবীনবা তমজবনি। লুখ্রেদা মতমগী অওনবা য়াওলগী খোঙচৎ পাউদম্বনা মৱাৎলবা মতমগী ঈচেলনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা চয়োম শারবা শূনিংদবগী মওংনা অঙাংনা অহলদা থৌদারবা মরমদি মখোয়দি শিগদবা মতম শাংদ্রে খনবনরা, নহাশিংদি মতম শাংনা থবক শূরকখিগনি খনবনরা অঙকপা ওইরি মতমগী খোঙচৎ। ঙল্লিঙৈগী মতমদা লাইরিক তম্বদা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়দি লাইরিক নীংথিনা তম্নিংদবা মমিংগী ওইবা মহৈরোয়শিং ঙাক্তা ওইরম্মী, অয়াম্বনা গভর্ণমেন্টস্কুলদা তম্বা তান্নরম্মী। হৌজিক্লা পুরা ওন্ন-তৈনবা ওইরে। হৌজিক ওইরক্লিবা অওনবা অসিবু ঐখোয় পূম্নমক হরাওফম থোক্লিবরা, মতমগী অওনবা য়াওলসি হায়ফম তৌফম খঙদ্রবা মতম হায়বদু ওইরে হায়জনীংই।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক*

## ঐখোয়গীদমক কনা লৈদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

হৌজিক্তা খ্বাইদগী হোংবসি করিনো, মসিমক করিনা ওইদৌরি? হায়রবদি শোয়দনা অদুমক খঙলগদবনি। ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী য়েল্লিবা চেঙসিদগী হোংবা মফম কদায়দবু লৈরিবা? অমত্তা লৈতে। হোংবদদি মহাক্লা মকোক্তা শোয়দনা লৈদৌরিবনি। থা অমদা চেঙ কিলো মরিদা হাইথরক্তুনা শরক শিনা মীয়ামগীদমক ৱায়েল্লিবা, য়েন্দবসু কোঙ্গায়নি। ৱাথোক-লান্থোক্তা লৈতেং ওইরবা চেঙ উসবকী নোংমাংখা, সুটানিগুম ওইরমদবা কয়াদা নুঙাইগদবনো? অনেম অৱাং খাইদবীদা মী অমগী থা অমগী য়ামদ্রবদা চেঙ কিলো ১৫/২০দং ফজনা ফংহনবদা ফজবগী মথক্তা ফজবা হায়বদু ওইদনিঙাই লৈরোই। কৈথেলদা চেঙ কিলোদা লুপা কয়া পীবা? মমলগী ৱাদি হায়রুদনা করিবু কান্নগনি? লৈরিবা এ সী ৬০সিগী মনুংদা থা কয়াগী ওইনা ফজনা নীংথিজনা ফংইদা হায়রিবা এ সী অদু করম্বা এ সীনা ওইদৌরিবা? হায়নিঙাই অমত্তা লৈতে। ফাখিবা ঈশৈ নোংম ফাদোকসু ঙংইদা হায়বগুম্না শরক শিহনবসু অদুমক য়াওরিবা পোৎনি। থা অমতং নাশোন পিক্লা শরক শিহনবদা লুপা কয়া ... হায়রুদনা করিবু কান্নগনি? মসিগী মতাংদা এ সীগী ৱার্কর খরদি ময়ুম মকৈ মওং তাবা য়াওদবা নত্তে। মীহুৎকী ৱাখিবনিবু হায়রবা পৈশা ফংনবা লম্বী ফনা নীংথিজনা অদুমক খঙলবনি। হায়নিংবা মখৈ হায়জসনু, তৌগদবা তৌরগা লোইরে। খুদোংচাবা ফংলিঙৈদা খুদোংচাবা লৌহৌরগা লোইরে। মীৱানা, ইকায়বনবু উচিমুক চাউব্রা? ইকায়ববু খঙদ্রবা, অনমবু ফজনা কল্লবা খুদোংচাবা খরদি অদুমক ফংলবনি হায়বা মসিনা শাথিনা মশিং য়ামখৎলক্লবনি। মখল কয়াগী অনাবগী হীদাক ময়াম অমা লৈরবসু ইকায়বা খঙদবগী হীদাকসিমদি লৈত্রবনি। মসিবু মতোইনা তৌরবা মরুপ মপিজা কয়ানা নুংশিবদি ৱাৎলবনি। পোৎকী মমলনা অহোংবা লৈরক্ত্রবা হৌজিক্কী মতমসিদা থৌদোক-ৱাথোক্তা চাওথোকপগী মহুত্তা পিকশিন্না শিনবা মসিদগী ফবা অতৈবু লৈত্রবনি। অনৌবা চৎনবী কয়া অমনা মরা তারক্তুনা থিঙুবা ঙমদনা তিঙক মাইঙক্লা লৈরিবা তাঞ্জাসিদা পুবা থাঙবা ঙল্লরোইদবা মথেল কয়া অমসু শাংফোংনবা হোৎনরকপা য়েংবা নৎতনা পাম্বে অমত্তা লৈরোইদৌরি? ইজ্জৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা লৈজবী থাদুনা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোনবা মখৈ তৌদবা য়াদবনি খল্লিবা পুম্নমক অপাম-অপাম্বনা ফরে খল্লক্তুনা ইমানা পোকপদগী থেংনরক্তবা মথেল কয়া অমা থেংনরকপা মতা অমা ওইনা মীৎকী কুম্মৈদা নুঙাইতে করম হায়গনি, য়েংববু হৈরবদি কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তা। সনা শোরোক য়াঙবী থক্তা নোংমদা মীওই কয়া চৎপগে? লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউরবা কৈথেলনি হায়রিবা খ্বাইরমবন্দ মীওই কয়া তিনবগে? মথেল কয়াগী মীওই কৈথেলসিদা লাকপগে? মসিগী মনুংদা নুপাগা নুপীগা মশিং কনানা হেন্না উবগে? নুপীনা মশিং ফনা নীংথিজনা হেল্লবনি। ফিজেৎ চাকচাদা হোয়া দুয়া লৈতবগী ফিজেৎ উনশাদা রগ তৈবদোনা তৌবগী ফিজেৎ য়েংবদা ফনা নীংথিজনা থেংন্দনিঙাই লৈরোই। কনান মৈতৈ/মীতৈ হায়বা য়াবা নত্তে। অদুম্নদি ওইরবদা ফনেক্কী মহুত্তা শালাৱার, খোঙ্গ্রাও ... মসিনা মশিং হেল্লবনি মাগী মাগী অপাম্বদা লৈজবী থাদনা মশা মথক্তা ফজরবনি খন্দুনা ... পুম্নমক মতম অমগী চৎনরম্বা কাঙলোনগদি ফনা নীংথিজনা খেৎনবা ওইদেদা করম হায়গনি? মমা মপাদগী হেন্না শিংলবা লমদমসিগী মচা ওইবা কয়া তানরকপগী মহুত্তা নোংম নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লি। মমা-মপাদগী হেন্না হৈ-শিংলবা মচা মশিং থিরুবদা থিবা ঙমদনা তোক্কদবতনি।

কুমজা ১৯৬১ গী অদুৱাইদা চেঙ কিলোদা লুপা কয়া পীরম্বা? হৌজিক্লা লুপা কয়া? ফনা নীংথিজনা খেন্নবা ওইরবনি। মতমদুদা লমদমসিদা মীওই কয়া লৈরম্বগে? চাওরাক্লা থেংনবদা ৭,৪০,০৩৭ মীশিংনি ইরি। মতমদুদা চাহোংলম্বা ঙাহোংলম্ব মতমদুদা ইরি। মতমদুদা চাহোংলম্বা ঙাহোংলম্বা মতমদুদা লৈরম্বা মীওইশিং কয়াদা মকা লাম্না নুঙাইনা লৈরমগবা? ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখ্রবা মতুংদা ঐখোয়গী ইরমদম ঈশিং ঈচাওগুম্না লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা হীরম কয়াদা ঐখোয়গী ফুরুপপু শিংনরকপা খঙনা খঙনা ঐখোয় মশেল অমতা ওইবগী ৱাখল লৈনরক্তবা পুম্নমকসি করিদগী কদোমদগী লাকখিবনো? সেন্সসকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না লমদমসিগী মীশিং ফনা শাথিনা হেঙ্গৎতুনা লৈতনিঙাই লৈরোই। খুদিংমক্তা মীয়ান মচাশিংনা খুদম চনগদবগী হোৎনরকপা মসিমক থিংবা ঙমহৌদ্রবা ঐখোয় করম্বা ফিভমদা লাক্কদৌরিবা? লমদমসিগী অমাইবা অমাইবী চুম্মীদা হায়রিবা মখোয়না ফাওবা মচা খাইনা তাকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈগদবা মান্দ্রবনি। খনগদবা তুংগী পোরম্না খন্দদুনা ইরাং কৈথেলদা লমজেন তান্নদুনা লৈবা তাহৈদবা-উহৈদবা ময়াম অমা অতৎপা লৈতনা মসিমক ঐখোয়গী ওইবা ফজফমদি ওইদ্রবনি। মপান লমগী কনাগুম্বা মীওই অমনা অমুক্তা উদবদগী করিগুম্বদা মরুপনি মপাংনি হায়দুনা খংনিংবদগী হংলবদা করিনা পাউখুম পীগদৌরি। পুন্সিগী য়ুম্বান্দা ফাওবা পেনানা শক্লগা লুহোংবা, বেননা খোংলগা লুহোংবা, য়েত্তা কোইবা ওইদা কোইবা পোলোই শেৎলগা লুহোংবা মখল শেৎলগা লুহোংবা মথেল মথেল য়াম্নদনা অশেংবদু খঙদ্রবনি। হৌজিকসিদা হোংলিবসি ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট, ঐখোয়গী থৌদোক ৱাথোক অতোপ্পা মখা অমুম লৈরিবগে? থবক শূবগী চাং ৱাৎলবা চাহোংবা-ঙাহোংবা থাজরুবা য়াবা নত্তে।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ ইম্ফাল।*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪

১। চহী হৌবা হায়বসি মীওইবা জাতি খুদিংমক্কীনি। মৈতৈ খুন্নাইগীসু চহী খুদিংগী চৈরাওবা হায়দুনা পাঙথোক্লি। ঐখোয়গীদি চৈরাওরগদা লোইদে। চহী অমগী তৌফম থোকপা লাইথৌ-তিনথৌ কয়াসু পাঙথোকই।
(ক) চৈরাওবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মাইবশিংনা য়াচংবদা করি লাইথৌ পাঙথোকপগে?
(খ) শজিবুগী ৭নি পানবদনা মাইবশিংনা করম্বা লৈবাক্কী য়াইফ-থৌরম পাঙথোকপগে?
২। “কৃষ্ণরা, জিসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রলয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে।” কনবিয়ু লাউরিবা কবি অসি কনানো?
৩। “ইশাগী কান্নগনি হায়রবদি/মীগী মাঙনবতা খনগদবনি/ইশাগী কান্নবা লৈত্রফাওবা/মীগী মাঙনবা তৌগদবনি।” পরেং মরি অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। “লাক্কনি ঐ/লেপ্পনি নোংমা/তেক কায়রবা/নঙগী থোঙ্গালদা।” পরেং মরি অসিনা অইবী লাইরেল্লাকপম ইবেমহলগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। “ঐদি, ঐবু নুংশিবিখিবা মখোয়দা খুল্লং হনখিবতনি/ভোটতা মখোয়না শেঙ্গা খুল্লং কূমখিবদুগীনি।” পরেং অনীসিনা ‘পাইতু খাউদু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*